**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-11-2025)**

**সাবিত্রি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুর মনিপ্ৰ্গী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি সিলচরদগী জিরিবামদা থুংখ্রে।

মহাকা হেক থুংলবগা জিলা অসিগী চিংদোং লৈকাইদা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা বি.এল.ওশিংগা পুন্না মীফম পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মহাকা জিরিবামদা লৈরিঙৈদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং য়েংশিনগনি।

**অনুরাগ (এল)ঃ** 'ৱিভিং এ সসটেনেবল ফ্যুচর-মনিপুরস হেন্দলুম হেরিটেজ টু গ্লোবেল ফেসন' হায়বা হীরমদা মনিপুর ইন্টরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো-২০২৫, লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতগী ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা হৌরগনি।

এক্সপো অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মনিপুরগী পাক চাউরবা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলগী পোৎথোকশিং মালেমগী থাক্তা উৎথোক বগীদমক্তনি।

ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না হায়-কুমশি চহিগী এক্সপো অসি শক্তমদি, মালেমগী থাক্তা পুখৎনবনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা ফিশা-লোনশা অমসুং খুৎ-শা হৈবগী থবক তৌবা মীওই লাখ ২ মখায় হেন্না লৈ। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী মীওই লাখ ১০ রোমদি হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাপটগী মপাল তাংলি।

মসি অপুনবা মীশিংগী চাদা ৩০ রোমনি।

শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না হায়-হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটনা মনিপুরগী শেন্মীৎলোন্দা চাউরবা মফম কল্লি। মরম অদুনা সরকারনা লম অসিবু হেন্না মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তা চাউখৎনবা হোৎনরকপনি। মহাকা হায়-কুমশি চহিগী এক্সপো অসিদা লৈবাক ১৬ কী বাইয়রশিং শরুক য়াগনি। মমাং চহিশিংগা মান্নদবা হায়বা তারগদি কুমশি চহিগী এক্সপো অসিদা সেমিনার, দিজাইন্দ ৱার্কশোপ, ত্রেন্নিং, ফেসন সো, অখণ্ড-অহৈশিংনা লম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

শ্রী ভাজপায়না হায়-মনিপুরদা টেক্সতাইল পার্ক লিংনবগীদমক কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়দা দি.পি.আর. পীশিনখ্রে। মসি য়ারক্লবা মতমদা খ্বাইদগী চাউখৎপা টেক্সতাইল পার্ক ওইগদৌরিবনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সতাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসি নুমিৎ মঙানি চথগনি। ইং ২০২১ দা কোবিদনা মরম ওইদুনা অমসুং ইং ২০২৩-২৪ দা ইরাংনা মরম ওইদুনা এক্সপো অসি পাঙথোক্তনা লাকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা, শরুক য়াখিবা হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেননা হায়-এক্সপো অসিদা স্তোল ১০০ গী মথক্তা হাংগনি।

রাজ্য সরকারগী হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসন বিভাগকী দাইরেক্তর- কে. দেবদত্তা শর্ম্মনা হায়রি-লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপগী মথক্তা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ. রিজন মনিপুর সেন্টরনা শিনদুনা এ.আই.সি.আর.টি. ওন সিদগী মখাদা নোংমগী ওইবা ফিল্ড ডে ওন রাইজ অমসুং ফরমস সাইন্টিষ্ট ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা সেন্টর অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু

আই.সি.এ.আর. কে.ভি.কে. ইম্ফাল ৱেষ্ট, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলগা খুৎশমদুনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তর-.কে. দেবদত্তানা হায়-লৌমীশিংনা চহি অমগী চাননবা খক পুথোকপগী মহুৎতা হেন্না ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবসু খনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-লৌমীশিংনা পোৎথোক হেন্না পুথোকপা, মগুন লৈবা পোৎথোক ওইহনবা, শেম শাবা অমসুং কৈথেলদা ফংহন্নবগী থৌরাংশিংদসু অহেনবা মীৎয়েং থম্বা হায়বসি য়ামা মরুওই।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি মীওই ১০৮ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পুন্না সেম্পল ১৯০ টেষ্ট তৌখি। জেনিমস হোস্পিতাল ইম্ফালদা সেম্পল ১৩৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮২ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ৪৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২২ পোজিতিভ ওইখি। অদুগা লনাই হোস্পিতালদা সেম্পল মরি টেষ্ট তৌবদা মীওই মরিমক পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

ঙরাং ফাওবদা রাজ্য অসিদা পুন্না সেম্পল লিশিং ৯,২৫৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ৪,২৮৭ দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনরে। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা পোজিটিব ওইবা জিলা ওইরি। ফেরজোল অমসুং জিরিবাম জিলাদা হৌজিমক্কী ওইনা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রি।

চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী হৌজিক ফাওবদা লৈকাই লিশিং ২,৫৭১ অমসুং রিলিফ কেম্প তরুক্তা মৈখু কাপথোকখ্রে। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা য়ুম ১৫৫ দা চৎতুনা সর্ভে তৌখি। মদুদা, য়ুম ৫৮ দা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

**মরু-মরাং(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ুরিয়ার হার অমসুং নীংথম মরু-মরাং য়েন্থোকখ্রে।

থা অসিগী মরিদগী হৌরগা থা অসিগী ২০ ফাওবা চথ্থগদবা হার অমসুং মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা মোইদাংপোক, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা উয়ুমপোক কম্ম্যুনিতি হোল, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ইরেংবম খোইরিফাবা য়ুথ ক্লব অমসুং ৱা সিফাই মনিং লৈকাইদা য়েন্থোকখি।

উখ্রূল অমসুং কামজোং জিলাশিংগী ওইনা সনা কৈথেল কম্ম্যুনিতি হোল, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংগী ওইনা হৈরোক লিতান মখোং অমসুং চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলাশিংগী ওইনা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসতা য়েন্থোকখি।

হার অমদি নীংথম মরু-মরাং য়েন্থোকপগা মরী লৈননা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর-পিটর সলামনা হায়-লৌমীশিংনা হার অমসুং মরু-মরাং ফংনবগীদমক মশা মশাগী অধার অমসুং পাট্টা লোয়নরক্কদবনি। লৌমীশিং অদু ভেল্যু চেন পার্টনরসগী মেম্বরশিং ওইরবদি হঙ্গাম মরু লেমা ফংগনি। করিগুম্বা মদুগী মেম্বর ওইদবা লৌমীশিংনা অপিবা মমলদগী চাদা ১০ হন্থরগা হঙ্গাম মরু কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৫ গী চাংদা ফংগনি। লৌমীশিংনা মঙ্গল অমদি অতৈ হৱাই মখলশিং অতাবা মমলদা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৫ অদুগা য়ুরিয়ার হারনা বেগ অমদা লুপা ২৭০ দা ফংগনি।

**বিমোল (এল)ঃ** মনিপুরগী লন্নাই হোস্পিতালশিংদা দাইলাইষ্টিস তৌরিবা অনাবশিংগীদমক পি.এম.জে.এ.ৱাই. অমসুং সি.এম.ঐচ.টি. স্কিমশিং মখা তানা চৎনহন্নবা এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া মনিপুর চেপ্তরনা ৱারেপ লৌখিববু লোক সভা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল

অকোইজমনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ওল মনিপুর দাইলাইষ্টিস পেসেন্টস এসোসিয়েসনদা, এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কিয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া মনিপুর চেপ্তরনা দাইলাইষ্টিস তৌরিবা অনাবশিংদা স্কিমশিং অসি চৎনহনগনি হায়বগী থাজবা পীখিবা অদুবুসু ডা: বিমোলনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কিয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া-মনিপুর চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট-ডা: পালিন খুন্দোংবমদা ইবা চিঠি অমদা ডা: বিমোলনা হায়-শেল থুমগী অৱাবা কয়া থেংনরবসু দাইলাইসিষ্ট তৌরিবা অনাবশিংগীদমক এসোসিয়েসন অসিনা স্কিমশিং অসি মখা তানা চৎনহনগনি হায়বসি অপেনবা পোকই। মসিনা খুদোংচাদবা অমদি শেল থুমগী অৱাবা মায়োকরিবা অনাবশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা খরমখৈদি কান্নবা পীরগনি।

নীংশিংবা য়াই, লন্নাই হোস্পিতালশিংদা স্কিমশিং অসি দাইলাইষ্টিস তৌরিবা অনাবশিংগী য়েংবিদুনা মখা তানা চৎনহন্নবা ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কিয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া-মনিপুর চেপ্তরদা অইবা চেরোল থাদুনা আপিল তৌখিবনি।

**সরদার (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর অমসুং নম্বোল ব্লোক্তসু সরদার এদ-১৫০ য়ুনিতি মার্স পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি হায়না বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা ফোংদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়-থা অসিগী ১০ দা বিষ্ণুপুর ব্লোক্কী ওইনা সরদার এদ-১৫০ পতযাত্রাগী থৌরম কিয়াম্বা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। নম্বোল ব্লোক্কী ওইনা থা অসিগী ১২ দা ইন্দিয়া ইষ্ট মেমোরিএল সেন্টরদা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়-ভারতকী য়োৎকী মী হায়না খঙনবা সরদার ভাল্লাভাই পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কেন্দ্র সরকারগী

মাই ভারতকী মখাদা হৌদোকখিবনি। থৌরম অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মাই ভারতকী থৌমী, এন.এস.এস. সেল মনিপুর, এন.সি.সি. অমসুং লাইন দিপার্টমেন্টশিংনা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

**খোঙচৎ (এল)ঃ** লমলক্কী শা-উচেক কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অমা চান্দেল জিলাগী জাফৌ বজারদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা ওক হিল খৃষ্টান একাডমীগা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা মহৈরোইশিংগী রেল্লি অদুদা পুন্না মহৈরোই ৬০০ রোমনা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু ওক হিল খৃষ্টান একাডমী-পনচাই চান্দেলগী গেটতগী লমথাখি। পুন্না কিলোমিটর অমা মখায়রোম খোঙনা চৎলবা মতুংদা জিলা অদুগী নুপী কৈথেলদা থুংখি। লোয়ননা মফম অদুদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

**এআইটিয়ুসি (এল)ঃ** বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট ঙসি ফাওবা ময়েক শেংদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থৌওংনা সিভিল এভিয়েসন মিনিস্তরগী লিষ্টতা হাপ্লমদবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী মায় খুবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস-মনিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট মমিং চৎনহনবগা লোয়ননা ফ্লাইট অতোংমল অতৈ অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী ভারাগা মানহন্নবা মরী লৈনবশিংদা হোৎনগদবনি।

**ৱাকৎ(এল)ঃ** থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কর্ম্মচারিশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দাবী তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কাউন্সিল অসিগী কর্ম্মচারিশিংনা থৌবাল ৱাংমাতাবদা লৈবা কাউন্সিলগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা কর্ম্মচারিশিংনা-ঐখোয় অকি-অখণ্ড য়াওদনা থবক শুহনবীয়ু, শেলগী দাবী তৌবীগনু, অকি-অখণ্ড পীবিগনু হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়দুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**আইদিপি(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা চান-থকবা পোৎলমশিং অতাবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়না ওল মনিপুর নুপী মরুপকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়-আই.দি.পিশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিল্লবা মতমদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভমদা হনজিলহনবা ঙমগনি।

**ফোন(এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা হাংলিবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ অমদি চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর-১০৯৮ করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী য়াখিদ্রে। মরম অদুনা, টেলিফোন লাইনশিং অসি শেম শাবগী থবক চথরিঙৈ মনুংদা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ গী মহুৎতা ৭০০-৫৭৭-৬১৪৪ অমদি চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর ১০৯৮ কী মহুৎতা-৮১১-৯৯১-৮২৫৭ দা মীয়ামনা ফোন তৌবিরকবা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-অনা অরাম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**বন্দে** ঃ জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী চহি অমা চুপনা চথগদবা থৌরম হয়েং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্লগনি। কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়না শিন্দুনা হৌদোকপগী থৌরম অসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি মথং চহিগী নবেম্বর ৭ ফাওবা চহি অমা চুপা লৈবাক শিনবা থুংনা চথগনি।

মনিপুরদসু থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুন হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক

য়াগনি।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী থৌরম ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোক্কনি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। নুংথিল পুং মঙা ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬০.১৩ ওইখি।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ ১২১ দা ভোৎ থাদনখি। ভোট থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ওইখি। অদুমওইনমক, বিধান সভা কেন্দ্র খরদদি ঙাকশেলগী য়েংলগা নুংথিল পুং ৫ দা লোয়শিনখি।

তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাখ ৭৫ না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অসিগী মনুংদা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওরি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংগী মহাগদ বন্ধনগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা, আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি যাদব, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি সমরাত চৌধুরিনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। মহাগত-বন্ধনগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি প্রসাদ যাদবনা ঙসি মীখলগী রেল্লি ১৮ দা শরুক য়াখি।

**বোক্সিং ঃ** অহানবা মাস্তর বোইজ এন্দ গালর্স ওপন ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং

চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই লম্পাক্তা হৌখ্রে।

কোংবা এম্যেচর বোক্সিং একাডমীনা শিনদুনা নুমিৎ মরিনি চুপা চথ্লগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৮ গী চহি নৌরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা বোক্সর ২৬ শরুক য়ারি।

**ফুটবোলঃ** পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথ্লরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-সেমকো কোমলাথাবীনা চান্দেল য়ুনাইটেদ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১ দা, থম্বাল মরিক কলেজনা কুম্বী কলেজপু পাঞ্জল ৬-৫ দা, সি.আই. কলেজনা মনিপুর কলেজপু পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইখি।

অমরোমদা, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কলেজনা শিনদুনা ঙসিদগী ওইনাম হবেতোন দেবী মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা থৌবাল কলেজনা ইম্ফাল কলেজপু ৩-০ দা, ময়াই লম্বী কলেজনা বিরমঙ্গোল কলেজপু ৩-০ দা অদুগা লিবরেল কলেজনা মনিপুর য়ুনিভসিতিবু ৩-০ দা থোইখি।

নুপীগী মেটচশিংদা-লিবরেল কলেজনা থৌবাল কলেজপু ২-০ দা অমদি য়ুনাইটেদ কলেজনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিবু ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** ৩ লক সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ক্ষেত্রি ইরিল মপান য়ুথ ক্লব অমসুং সঙ্গাই হেরোজ পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সোসিএল স্পোর্টিং ক্লব অমদি রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ন পাঞ্জল ৪-৪ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল ঃ** কর্নেল কে.এস.ঐচ. অরুনকুমার মেমোরিএল মঙাশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬, চহি অসিগী দিসেম্বর তরুক্তগী হৌরগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়-টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মমাংদা খঙহল্লকবা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** ৩ শুবা থোকচোম ইবোপীশক (নিংথৌরেল) সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা টি.ৱাই.দি.এনা ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-খা পোৎশংবম ফুটবোল ক্লবনা উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরীবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** ষ্টেট লেবেল অন্দর ফিফতিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন ওর্নর ওফ লেট কন্সটেবল দিপক চিংঙাখম বির চক্র-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পান্দম এফ.এফনা মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-নেসুনা মৈরা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।